# প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি য়েঙখ্রে সরদার পতেলগী মফমদা লৈ কংখ্রে



***কেবদিয়া, দিসেম্বর ১৫ঃ***

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা সরদার বল্লবভাই পতেলগী লৈখিদবা নুমিৎ ঙসি ইরাই নুমিৎতা গুজরাতকী নরমদা দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটিদা য়েঙবা লাকখ্রে।

গুজরাত চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি অমসুং ষ্টেট চীফ সেক্রেটরি জে এন সিংহ গা লোয়নরকখিবা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা সরদার পতেলগী মিটর ১৮২ ৱাংবা মিতম অদুগী মনাক্তা শেমগৎলিবা ভেলি ওফ ফ্লাৱারসতা খোঙনা চৎতুনা মাগী খোঙচৎ হৌখি অমসুং সরদার পতেলবু নীংশিংবা ওইনা উ পাম্বী চার অমা থারবতুংদা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি কমপ্লেক্সতা লাইশোনগী মীফম অমা শরুক য়াখি।

সরদার পতেলদা কখোকপা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মিতম অসি চহি অসিগী ওক্তোবর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মায়খুম হাংদোকখিবনি। সরদার পতেলগী মফমদা ইকাইখুম্নবা উৎতুনা লৈ কৎলবা তুংদা প্রসিদেন্ট কোবীন্দনা মিতম অদুগী মখাদা লৈরিবা ম্যুজিয়ম অমসুং একজিবিসন এরিয়াদা চৎতুনা য়েঙখি। মিতম অদুগী মনূংদা মিটর ১৮২ ৱাংবদা লৈবা য়েঙফম গেল্লরি অদুসু চৎতুনা য়েঙখি। মদুগী মতুংদা মফম অদু থাক্লোলকলগা প্রসিদেন্টনা মিতম অদুদগী কিমি ৫ রোম লাপ্পা কেবদিয়া খূন তন্না রেলৱে ষ্টেসন অমগী উরেপ–উয়ুং তম্নবা লাকখি।

লূপা ক্রোর ২০ চঙনা শাগদবা রেলৱে ষ্টেসন অসি ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি য়েঙবা লাকপা টুরিষ্টশিংদা হকথেঙনা রেল তোঙবগী খুদোঙচাবা পীনবগী পান্দমদনি।

মরুওইবা ব্রোদ–গেজ লাইনগা কেবদিয়াগা শমজিনবা রেলৱেজনা থবক অসি দাভোই–চান্দোদ ফাওবগী কিলোমিটর ১৮ শাংবা নেরো গেজ লাইন অদু ব্রোদ গেজদা ওন্থোক্নবা অমসুং অচৌবা কিমি ৩২গী লাইন অমা শেমদুনা চান্দোদতগী কেবদিয়া ফাওবা শাংদোকহন্নবা সেঙসন তৌখ্রে।

# মেঘলয়া খোনি মনূংদগী মীওই ১৩ কন্নবা হোৎনরি

***গুৱাহাতি, দিসেম্বর ১৫ঃ***

মেঘলয়াগী মনূং হঞ্জিনবা মফম অমদা আইনগী ৱাংমদা চল্লাইবা রেট–হোল কোইলা খোনি অমগী মনূংদা মীওই ১৩ থোরকপা ঙমদনা খুদোঙথিবা তাখিবা অদুগী নুমিৎ নীনিগী তুংদা মখোয়বু ফুট ৩২০ লূবা খোনী অদুদগী কন্নবা ঙসি অয়ুক্তগী পর্সোন্নেল ১০০ হেন্না থাজিনখ্রে।

রেস্ক্যু টিমশিং অদুদা নেসনেল দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স, ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স অমসুং সিভিল দিফেন্সকী পার্সোন্নেল য়াওরি।

ইমর্জেন্সি ৱার্করশিং অদুগী মনূংদগী খরা অমনা ঙরাংগী অঙনবদগী ঈশিংনা থুল্লবা অচৌবা কোম অমদগী ঈশিং চীংথোক্লবা হোৎনরি। খোনী অদুগী মনূংদা লৈরিবা ঈশিং অদু ফুট ৭০ রোম লূই। কাখন কয়া খায়দোকপা খোনী অদুগী মেপ নৎত্রগা প্লান ফঙদবনা খুদোঙথিবা তাদুনা লৈখ্রবা মীওইশিং অদু কদাইদা লৈবগে খঙনবা হোৎনবদা অরুবা ওইরি।

# য়ু এস কষ্টদিদা চরাহেনবা অমসুং দিহায়দ্রেসনদগী মশাগী চহি ৭ শুরবী গৌতেমলান নুপীমচা অমা শিখ্রে



***ৱাসিংতন, দিসেম্বর ১৫ঃ***

য়ু এস বোর্দর পেট্রোল এজেনশিংনা হৌখিবা চয়োলদা মশাগী চহি ৭তা ঙাইহৈরিবী গৌতেমোলা নুপী মচা অমা কষ্টদিদা থল্লকখিবগী পূং খরগী তুংদা চরাহেনবা অমসুং ঈশিং থক্তবদগী শিখ্রে অমসুং থৌদোক অদুনা মেক্সিকান বোর্দরদগী সিরিয়া অমসুং য়েমেন ফাওবদা অঙাংশিং হাংপা দোনাল ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী পোলিসিশিংগী মতাংদা অমুক হন্না মীৎয়েঙ চঙনরকখ্রে।

থম্মোয় শোক্নিংঙাই ওইবা থৌদোক অমদা গৌতেমলান ওফিসিয়েলশিংনা জেকেলাইন কাল কৌই হায়না কোন্না মশক তাকখিবা নুপীমচা অদু মহাক্কী মপা অমসুং অতোপ্পা ময়গ্রেন্ট ১৬৩গী য়াল্লবা গ্রুপ অমগা লোয়ননা ন্যু মেক্সিকো মরুভুমিগী মী তাদবা লমদম অদুদা ফাওরগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লানশিলকখিবনি।

মাইগ্রেন্ট গ্রুপ অদু য়ু এস বোর্দর এজেনশিংদা সরেন্দ্র তৌখি অমসুং দিসেম্বর ৬কী নুমিদাং পূং ৬ লোম তাবা চঙজফম লৌনবা হায়জখি। পূং ৮ হেন্না কান্নরবা তুংদা নুপীমচা অদু অয়ুক পূং ৬.২৫ চৎপদা শোকচিনবা হেনল্লকখি অমসুং ইমর্জেন্সি ৱাকরশিংনা মহাকপু এল পাসোদা লৈবা অঙাংশিংগী হোস্পিটাল অমদা পুখি অদুবু মফম অদুদা মহাক কার্দিয়াদ এরেস তৌখি।

প্রেভিদেন্ট হোস্পিটালদা ফিজিকসিয়ানশিংনা অহানবা দাইগ্নোসিস তৌবদা নুপীমচা অদুনা শিবগী মরম অদু সেফটিক সোক, ফিবর অমসুং দি–হাদ্রেসননি হায়না ফোঙদোকই। অদুবু মপূং ফাবা ওটোপসি রিপোর্ট ঙাইহৈরি।

কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সন (সি বি পি) এজেনসিনা ফোঙদোকপদা নুপীমচা অদু নুমিৎ কয়ানীরোম চারকখিদ্রে নৎত্রগা ঈশিং থক্লকখিদ্রে হায়খি। বোর্দর পেট্রোল এজেনশিং অদুনা নুপীমচা অদুগী পূন্সি কন্নবা ওইথোকপা য়াবা খোঙথাং পূন্নমক হোৎনখি হায়না সি বি পি ৱাঙাংলোই অমনা ৱাসিংতন পোষ্টতা ফোঙদোকখি। পাউ–চে অসিনা ৱারী অসি অহানবা ফোঙলকখিবনি। মপা–মমাশিং, মচিন–মনাওশিং ওইনা ঐখোয়না অঙাং অমগী পূন্সি মাঙবদা থম্মোই শোক্না নুংঙাইতে হায়খি।

বোর্দর পেট্রোল ষ্টেসনশিং অসি অয়াম্বনা মতোমতা লাকপা নুপা এদল্টশিং কষ্টদিদা পান্নবা চহি দিকেন্দ কয়াগী মমাঙদা শাখিবনি অমসুং মমা–মপাশিংনা অঙাংশিংগা লোয়ন্ননা পাক্তক্লনা এজেন্টশিংদা সরেন্দর তৌনবা অমসুং চঙজফম লৌনবা ঙমখে লানশিলকপগী অনৌবা মওং অসি তইনবদা মতিক চাদে হায়না সি বি পি ওফিসিলেয়শিংনা হায়রি।

নুপীমচা অসি শিবগী থৌদোক অসি টেক্সাসকী দিল্লেদা ইম্মিগ্রেসন্স এন্দ কষ্টমস এনফোর্সমেন্ট ফেসিলিটি অমদগী থাদোক্লবা চয়োল ৬কী তুংদা অতোপ্পা গৌটেমালান অঙাং অমা শিখিবদুগী থা খরদগী মতুংদনি হায়রি।

খ্বাইদগী কোনবা থম্মোই শোকপা থৌদোক অসিনা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী রিফ্যুজি অমসুং চঙজফম লৌনবা হায়জরকপশিংবু তাথিনা তৌবগী মতাংদগী হান্ননা কন্না য়ানীংদনা লৈরিবা সিভিল লিবরটিজ গ্রুপশিংগী মীৎয়েঙ চীংশিনখ্রে।

# মধ্য প্রদেস এসেমব্লিদা ক্রোরপতি ১৮৭ য়াওরি

***ভোপাল, দিসেম্বর ১৫ঃ***

মধ্য প্রদেস ইলেক্সন ৱাচ অমসুং এসোসিয়েসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর)না চঞ্খবা এনালাইসিস অমনা নৌনা খল্লকখিবা মেম্বর ২৩০ লৈবা মধ্য প্রদেস লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা মলটি মিল্লিনর নৎত্রগা ক্রোরপতি এম এল এ ১৮৭ য়াওরি অদুগা অপূনবা মশীংগী চাদা ৪১ ক্রিমিনেল কেসশিং লৈ হায়না খঙবা ঙমখ্রে।

পার্টি–পার্টিগী ওইনা য়েঙবদা বি জে পি এম এল এ ১০৯গী মনূংদা ৯১, কংগ্রেস এম এল এ ১১৪ গী মনূংদা ৯০, বি এস পি এম এল এ ২গী মনূংদা ১, সমাজৱাদি পার্টিগী এম এল এ ১ অমসুং ইন্দিপেন্দন্ট এম এল এ ৪না লূপা ক্রোর ১ হেনবগী এসেটস দিক্লিয়ার তৌরকখ্রে।

বিজয়রাঘবগর কনষ্টিট্যুয়েনসিদগী বি জে পিগী এম এল এ সঞ্জয় সত্যেন্দ্র পাথকনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা লূপা ক্রোর ২২৬ হেনবগী এসেটস লাওথোকখি। অমরোমদা বি জে পি এম এল এ রাম দানগোরেনা সুপ্পগী লূপা ৫০,৭৪৯ গী এসেটস লাওথোকখি।

# কাস্মিরদা ফোর্সনা কাপ্পদা মীচম ৭ শিখ্রে, ঈরাং হৌরকপদগী ইন্টর্নেট, রেল সার্ভিস ককখ্রে



***শ্রীনগর, দিসেম্বর ১৫ঃ***

খা কাস্মিরগী পুলৱামাদা ঙসি অয়ুক সেক্যুরিটি ফোর্সকা টেরোরিষ্টশিংগা খূৎ থোক্নবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখিবা থৌদোক্কী মখা তারকপদা মীয়ান্না ইরাং হৌরকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মীচম ৭ শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া অমা শোকখ্রে। ঈরাং হেন্না কনশিলকপদগী পুলৱামদা ইন্টর্নেট সার্ভিসশিং অমসুং কাস্মির ভেলিগা জম্মু রিজনগী বানিহার তাউনগা অনীগী মরক্তা রোল সার্ভিসসশিং ককখ্রে।

পুলৱামাগী সিমূ খূন্দা ঙসি অয়ুক অঙনবদা খূৎ থোক্লখিবদা লানমী অমা শিখি। টেরোরিষ্টশিং অদু হৈকোল অমগী মনূংদা লোৎলম্বনি। মফম অদুদা লমদম অদুগী টেরোরিষ্ট অহুম লৈরে হায়বা পাউ ফঙবদগী আর্মি, পুলিস অমসুং সি আর পি এফনা নোংঙালমদাইদা পূন্না ওপরেস অমা চঞ্খরকখিবনি।

শিখিবা মীচমশিং অদুগী মনূংদা হন্দক্তা মহাক্কী লোয়নবী ইন্দোনেসিয়ানগা থা ৩গী মচাগা ইন্দোনেসিয়াদগী থা অমগী মমাঙদা হল্লকখিবা এম বি এ গ্রেজুয়েট অবিত হুসেন কৌবা অমা য়াওখি। অমির অহমেদ কৌবা অমসু য়াওখি। হীংশা অসিগীদমক জম্মু এন্দ কাস্মিরগী লূচিংবশিং মেহাবুবা মুফতি অমসুং অমর অবদুলানা জম্মু এন্দ কাস্মির লৈঙাক্তা মরাল শীখ্রে।

উহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোকপদা শিরবা মীওইশিং অদু মকোক অমসুং মথবক্তা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোকখিবনি হায়খি। পেলেট সোটগান কাপ্পদা অমসুং খূৎ থোক্লবদা শোকখিবা অতৈ নহা কয়ামরু অদু খা কাস্মির অমসুং কোনূং শ্রীনগরদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎখ্রে।

মীচমশিং শিবগী পাউ তান্নরকপদগী থঙনবা খূনশিংদসু ঈরাং থোক্লককখি। ফীভম অদুদা পুলৱামাদা ইন্টর্নেট সার্ভিসশিং ককথৎখ্রে অদুগা জম্মু রিজনগী বানিহার টাউনগা কাস্মির তম্পাক্কা অনীগী মরক্তা চেল্লিবা রেল সার্ভিসশিংসু ককথৎখ্রে।

# অযোধ্যা বিল্ডিং ১৭৬ শিদোক্নবা খঙহনখ্রে

***অযোধ্যা, দিসেম্বর ১৫ঃ***

লাইশঙশিং অমসুং মী থমফমশিং য়াওনা ফিভম চদ্রবা অযোধ্যাদা লৈবা বিল্ডিং ১৭৬ রোম মপুশিং অমসুং মেনেজমেন্টশিংদা অযোধ্যা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা ঙসি বিল্ডিংশিং অদু শেমজিন্নবা নৎত্রগা শিদোক্নবা নোটিসশিং পীখ্রে।

নোটিস পীখ্রবা য়ূমশিং অদুগী মনূংদা রাম অমসুং হনুমানগী লাইশঙ ১০০ রোম য়াওরি। অদুগা ধরমসলাশিং অমসুং লাইনিংবশিংগী থমফমশিংসু য়াওরি।

লাইশঙ ওইরবসু মী লৈনবা য়ূম ওইরবসু হায়রিবা য়ূমশিং অদু মখোয় মশানা শেমজিনবা নৎত্রগা শিদোকপা য়াই। মখোয়না মদু শিদোক্নবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনদা হায়রকপসু য়াই হায়না ম্যুনিসিপাল বোদি অসিগী কমিস্নর আর এস গুপ্তনা এজেনসিদা হায়খি। নোটিস পীখ্রবা ১৭৬ অদুগী মনূংদা মীওই ৫৯না মখোয়গী য়ূম অদু হান্ননা শেমজিনখ্রে অদুগা ৬ অমনা শিদোকখ্রে। বসুদেবা ঘাথতা পথর মন্দির অদু চহি ৪০০–৫০০গী মমাঙদা শাবনি মদুসু ফিভম শোক্লে।

# রাফেল দিলগী সি এ জি রিপোর্ট উৎলুঃ কংগ্রেস



***ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৫ঃ***

রাফেল ফাইটর জেট দিলগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল পীখ্রবা মতুং ফাওবদা হিরম অসিগী মতাংদা অচৌবা পোলিটিকেলগী নোংলৈ–নুংশিৎ অমা শিৎলক্লে।

রাফেল জেটশিং অদু লৈনবগী গভর্ণমেন্টনা চঞ্খিবা কাংলোনদা চীংনবগী মরম অমত্তা লৈতে হায়বা ৱায়েল অমা ঙরাং তাখিবদুদা সুপ্রিম কোর্টনা পনখিবা, ফ্রান্সকী দাসোল্ট এভিয়েসনদগী লৈগদবা রাফেল জেট ৩৬ অদুগী মমলগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী ওদিটর নৎত্রগা কন্ট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সি এ জি)গী রিপোর্ট অদু পালিয়ামেন্টররি পব্লিক একাউন্টস কমিটিনা উখিদ্রি হায়না কংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক একাউন্টস কমিটিগী চিয়ামেন সেনিয়ার কংগ্রেস লিদর মাল্লিকার্জুন খরগেনা ঙসি ফোঙদোকপদা মহাক্না ওদিটকী রিপোর্ট অদু পালিয়ামেন্টতা করম্বা মতমদা পুথোকখিবগে হায়বদু হঙনবা এটোনি জেনরেল অমসং সি এ জিবু কৌনবা পেনেল অসিগী মেম্বর পূন্নমক্তা হায়জগনি হায়খি।

মিষ্টর খরগেনা রাফেল দিলগী মতাংদা সি এ জি রিপোর্ট অদুগী মরমদা অরানবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টপু লান্না লমজিংই হায়না গভর্ণমেন্টপু মরাল সিখি অমসুং মদুগীদমক গভর্ণমেন্টনা লাল্লি হায়জগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

সি এ জি রিপোর্ট অদু হাউসতা অমসুং পব্লিক একাউন্স কমিটিদা পুথোকখি অমসুং কমিটিনা মদু য়েঙশিনখি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা গভর্ণমেন্টনা মিনমখি।

গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা রিপোর্ট অদু পব্লিক দোমেন্দা লৈরে হায়খি। মদু কদাইদা লৈবগে? নখোয়না মদু উরব্রা? হায়না মহাক্না হংখি।

রাফেল ফাইটর জেট লৈনবগী কন্ট্রেক অদু ২০১৬ সেপ্টেম্বর ২৩দা সহি তৌনখিবনি। মদুগী মতাংদা মনোহর লাল শর্মা অমসুং বিনীত ধনদা কৌবা উকিল অনীনা হান্না পিটিসনশিং থাংগৎলকখি। কোন্না আম আদমি পার্টিগী লোমেক্কর সঞ্জয় সিংহনা পেটিসন অমা থাংগৎখি। য়সৱন্ত সিনহা অমসুং অরুন সুরি হায়রিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমসুং এক্টিভিষ্ট লোয়র প্রসান্ত ভুসনসু অপূনবা পেটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টতা থাংগৎলকখিবনি। হায়রিবা পেটিসন পূন্নমক অদু সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ককথৎখ্রবনি।

# ৱাসিংতন–বৈজিংগী লল্লোন–ইতিককী লান মরক্তা বোইং কম্পেনিনা চিনাদা মখোয়গী অহানবা ৭৩৭ প্লান্ট হাংদোকখ্রে




***ঝৌশান, দিসেম্বর ১৫ঃ***

য়ু এস অমসুং চিনাগী অকনবা লল্লোন–ইতিক্কী লাল্লকতা মালেমগী মকোক থোঙবা ট্রেভেল মার্কেটশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা চিনাদা 'বোইং কো'না মখোয়গী য়েন্নবা লম্বা এয়ার বষ্টতগী হেন্না পোৎ য়োনবা হেন্নবা পান্দমদা মখোয়গী অহানবা ৭৩৭ কমপ্লিসন প্লান্ট অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

মথঙ চহি ১০দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু নমথরম্লগা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা এভিয়েসন মার্কেট ওইরক্কগনি থাজরিবা চিনাদা বোইং অমসুং এয়ার বসনা মখোয়গী খোঙদাফম হেন্না পাকথোক–চাওথোক্নবা হোৎনরক্লি।

মালেমগী খ্বাইগী চাওবা প্লেন শাবা কম্পনি বোইংনা প্লেনগী ইন্টরিয়রশিং অমসুং পেন্টশিং লোয়শিন্নবা কপ্লিসন সেন্টর অদু শানবা চিনা লৈঙাক্লা মপু ওইবা কমরসিয়েল এয়ারক্রাফ কোর্প ওফ চিনা (সি ও এম এ সি)গা জোইন ভেঞ্চর অমদা মেজোরিটি ষ্টেক লৌনবা থাদখ্রে।

চিকাগোদা লৈবা বোইংনা চিনাদা লৈবা কষ্টমরশিংদা হৌখিবা চহিদা কম্পেনি অসিনা শাবা জেট লাইনর ৪ খুদিংগী অমা হেন্না য়োনখি। অমসুং মসিনা মকোক থোঙবা য়ু এস এক্সপোর্টরনি হায়খি।

মথঙ চহি ২০দা দোল্লর ট্রিল্লিয়ন ১.২ হেনবগী অনৌবা এয়ার প্লেন ৭,৭০০গী দিমান্দ লৈগনি হায়না বোইংনা মাংজৌনন্না ফোঙদোক্লি।

বোইং চিনাগী প্রসিদেন্ট জোন ব্রুসনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা হান্না ফোঙদোকখিবদা য়ু এস–চিনাগী লল্লোন–ইতিক্কী লানগী ফিভম অসি শিংননীংঙাই ওইবা অমনি অদুবু অশাংবা মতমগী মীৎয়েঙদা মসি লাম্হোক্তুনা ঐখোয়না চৎপা ঙমগনি হায়বসিদা ঐহাক থাজে হায়খি।

# শ্রীলঙ্কা পি এম রাজাপক্সা ফম থাদোকখ্রে

***কলম্বো, দিসেম্বর ১৫ঃ***

শ্রীলঙ্কাদা শক্তি মুনবগী লান লোয়শিন্দুনা ৱাথোক ওইবা খোঙথাং অমদা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপলা সিরিসেনানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হাপখিবা মহিন্দর রাজাপক্স ঙসি ফম থাদোকখ্রে অমসুং হান্নগী রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেনা হয়েঙ প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই।

সুপ্রিম কোর্টকী মরুওইবা রাই অনীনা রাজাপক্সনা প্রাইম মিনিষ্টরগী চৌক্রি য়ান্দুনা লৈনবগী হোৎনবা অদু ঙাক্তবদগী হান্নগী ষ্ট্রঙমেন অসিনা ফম থাদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর ৱিক্রেমেসিঙঘেবু লৌথোক্নবা তুংদা প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা রাজাপক্সবু ওক্তোবর ২৬তা প্রাইম মিনিষ্টর হাপচিনখিবনি অমসুং মদুনা লৈবাক অসিবু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা কনষ্টিট্যুসনেল ক্রাইসিস অমদা ইরাক্লহনখিবনি। প্রসিদেন্টনা পালিয়ামেন্ট মুথৎপা অদু আইনা য়াদে হায়না ঙরাং সুপ্রিম কোর্টনা লাওথোকখিবনি।

# য়ামদ্রবদা টালিবান ২০ শিখ্রে

***কাবুল, দিসেম্বর ১৫ঃ***

য়ুএসনা নোংথক্তগী এটেকশিং য়াওনা অফগানিষ্টানগী কুনার প্রোভিন্সতা টালিবান লৈফমশিংদা চঞ্খবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা টালিবান লালহৌবা ২০ শিখ্রে হায়না অফগান ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মদুগী ওন্নতৈনবদা এটেক অদুদা মীচমশিং হাৎখ্রে হায়না টালিবাননা ফোঙদোক্লি। খা থঙবা হেলমনদসু য়ু এস দ্রোন এটেক অমনা লালহৌবনি চীংনবা ৪ হাৎখ্রে হায়রি।

## GAS TODAY

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking upto : 18/10/18
Sl. No. : 4020
Valid from : 16/10/18
Sl. No. : 3451
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking upto : 23/10/18
Valid from : 13/10/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking upto : 02/11/18
Sl. No. : 500
Valid from : 01/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M. M. Gas**
Booking upto : 30/10/18
Valid from : 25/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking upto : 25/10/18
Valid from : 17/10/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khongnang Gas Ningthoukhong**
Booking upto : 10/09/18
Valid from : 29/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas (Kakching)**
Booking upto : 11/10/18
Valid from : 02/10/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**J Rongmei Gas (Wangoi)**
Sl. No. : 22641 upto 22940
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Jemon Gas (Singjmei)**
Booking upto : 16/10/18
Valid from : 19/09/18
Stk : 612
Sl.No. : 31800
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Khoriphaba Gas Nambol**
Booking upto : 25/10/18
Valid from : 21/10/18
Sl. No. : 9549
Time : 07.30 to 09.30 a.m

# জম্মু এন্দ কাস্মিরদা খমথেঙনা ঈংখ্রে



***শ্রীনগর, দিসেম্বর ১৫ঃ***

জম্মু এন্দ কাস্মিরদা চহি অসিগী নীংথম থাগী ওইনা ঙরাং খমথেঙনা ঈংবা নুমিৎ ওইখ্রে। ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বদা ঙরাং ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং খ্বাইদগী ঈংবা অহিং ওইখ্রে।

অঈং–অশাগী চাংশিং অদুদি শ্রীনগরদা মাইনস ৪.২ দিগ্রী সেলসিয়স, খা কাস্মিরগী কোকেরনাথ মাইনস ৬.৬, কাস্মির তম্পাক্কী গেটৱে টাউন কাজিগন্দ মাইনস ৫, অমরনাথ যত্রগী বেজ কেম্প অমা ওইরিবা পহালগমদা ৯.৫, গুলমার্গতা মাইনস ১১.৫, কারগিলগী দ্রাসতা মাইনস ১৯.৭, কারগিল টাউন মাইনস ১০.২নি। লদাক রিজনগী লেহা টাউনদা মাইনস ১৩.৯ য়ৌনা ঈংখি।

কারগিল দিষ্ট্রিক্টকী দ্রাসনা ষ্টেট অসিদা চহি অসিগী খ্বাইদগী ঈংবা মফম ওইখ্রে।

# 'বাব্রি মসজিৎকীসু রাই ঙাইগনি আশা তৌই'

***মুম্বাই, দিসেম্বর ১৫ঃ***

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রাফেলগী ৱায়েল তরান্না ওকখিবা অদুগুম্না বাব্রি মসজিৎকী মতাংদা পীরকপা রাই অদু বি জে পিনা ঙাইগনি হায়না ঐনা অশা তৌই লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টতা খুদোনবী থিনবা হৌরক্লোই আশা তৌই হায়না জম্মু এন্দ কাস্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)গী চিফ মেহবুবা মুফতিনা ফোঙদোকখ্রে। পনবা য়াবদি রাম লাইশঙ শানবা আইন পুথোক্নবা আর এস এস চিফ মোহন ভাগবতকী দিমান্দ অদু বি জে পি লূচিংবা কয়ানসু শৌগৎলিবনি।

সনা–সুদোকু –১৩৬৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 2 | 6 | 9 | 4 | 1 | 7 | 8 |
| 8 | 6 | 4 | 7 | 3 | 1 | 2 | 5 | 9 |
| 9 | 7 | 1 | 8 | 2 | 5 | 4 | 6 | 3 |
| 1 | 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 5 | 4 | 7 |
| 2 | 5 | 3 | 9 | 4 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 7 | 4 | 6 | 5 | 1 | 8 | 9 | 3 | 2 |
| 4 | 9 | 8 | 1 | 5 | 3 | 7 | 2 | 6 |
| 6 | 2 | 7 | 4 | 8 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 3 | 1 | 5 | 2 | 7 | 6 | 8 | 9 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1365**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | | 2 | 6 | | | 1 |
| | 6 | 9 | | | 3 | 2 | | |
| | 4 | | 1 | | 8 | | | 9 |
| | | 1 | 4 | | | 7 | | 6 |
| 6 | 2 | | | 1 | | | 3 | |
| 9 | 8 | | | 3 | | | | 2 |
| | 1 | | | 6 | | | 2 | |
| 4 | | 2 | 8 | | | 6 | 1 | |
| | 3 | | | 9 | | | 8 | |

## /URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

**Contact no. : 9862780781 & 8416065510**

**Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.**

*SL/1194/Upto 24 December2018*